ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯏꯔꯥꯏ, ꯑꯦꯞꯔꯤꯜ ꯱꯰, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯴ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯰꯱꯷ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

ইরাই, এপ্রিল ১০, ২০২০, ইম্ফাল

৪৪শুবা চহী, ০১৭শুবা মশীং

# লোকদাউন শাংদোকপগী ইঙ্গিৎ পীখিবা

## ষ্টেট পূম্নমক্কী চীফ মিনিষ্টরশিংগা ৱারী শানবদা লৈখায় তারগনি

লৈবাক্কী মফম পূম্নমক্তা চথুরিবা লোকদাউনগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা থাংজ নুমিৎতা ষ্টেট পূম্নমক্কী চীফ মিনিষ্টরশিংগা ৱারী শানগদৌরি। য়ূমশকৈশা নুমিৎতা প্রাইম মিনিষ্টরনা মরু ওইবা পোলিটিকেল পার্টি পূম্নমক্কী লুচিংবশিংগা ৱারী শানখিবদা লোকদাউন শাংদোক্লবা য়াই হায়বগী ইঙ্গিৎ পীখ্রবনি। ভিদিও কনফরেন্সকী খূত্থাংদা পাঙথোকখিবা ওল পোলিটিকেল পার্টিগী মীটিংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা লোকদাউন লৌথোকপা মতম চাদে হায়বা ৱাফম থমখি। কোরোনাভাইরস লাকশিন্নবগী পান্দমদা লৈবাক্কী মফম শিনবা থুংনা থল্লকপা লোকদাউনগী মতম এপ্রিল ১৪দা লোইরগদবা মরম্না নোংমা-নিনিসিদা মতম শাংদোকপা নৎত্রগা শাংদোক্তবগী ৱারেপ লৌগদৌরি। লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমদা কোরোনাভাইরসকী কেস মশীং অসুম-অসুম হেনগৎলকপা মরম্না ষ্টেট অয়াম্বনা লোকদাউনগী মতম শাংদোকহন্নীংবগী অপাম্বা ফোঙদোক্লরকপা লৈখ্রে। অদুম ওইনমক নোংমগী খূৎশুমলনা হিংলিবা মীওইশিং অমসুং মাইগ্রেন্ট ৱার্করশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংগী য়েংলগা মতম শাংনা লোকদাউন তৌবা হায়বসি অৱাবগী মশকনি। মীপূম খুদিংমক শেল তানবা চপ লেপখিবগা লোয়ননা নোংমগী তঙাইফদনা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং ফংদবগী অৱাবসু নোংমা-নোংমগী হেনগৎলক্লি। পূম্নমক অসিগী য়েংলগা কোরোনাভাইরসকী কেস মশীং য়াম্বা অমসুং মখা তানা মশীং হেনগৎলকপা য়াই হায়না চিংনবা মফম খরদা অথিংবা থল্লগা লৈবাক্কী অতৈ-অতোপ্পা মফমশিংদা তাঙ্কক নাইনা অথিংবা লৌথোক্লবগী ৱাফম কূপ্না খন্নরি। লৈবাকপোকপা নুমিৎতা দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা ময়ায় তাংবল লৌদুনা পাঙথোকখিবা গ্রুপ ওফ মিনিষ্টরসকী মীফম্না মতম খরা শাংথনা স্কুল, কোলেজ অমদি লাইনীং লাইশোন তৌফমশিং থিংজিন্নবগী ৱাফম খন্নখি। ত্রেন, বস, মেত্রো অমসুং ফ্লাইট সর্ভিসতি হৌজিক-হোরেন তৌরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈত্রি। য়ূমশকৈশা নুমিৎতা প্রাইম মিনিষ্টরনা শীন্দুনা ভিদিও কনফরেন্সতা ৱারী শানখিবদা কোংগ্রেসকী লুচিংবা গুলাম নবি অজাদ, ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী সুদিপ বন্দ্যোপধ্যায় অমদি সিব সেনাগী সঞ্জয় রাউটসু য়াওখি। মমাঙ চয়োলদা প্রাইম মিনিষ্টরনা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধি অমদি ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জি য়াওনা ওপোজিসন লীদর কয়াগা ৱারী শানদুনা হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসিগী মতাংদা সজেসন পীরক্নবা খঙহনখি। মদুগী মমাঙদনা হান্নগী প্রসিদেন্ট প্রতিভা সিংহ পাটিল অমদি প্রনব মুখর্জি, লোয়ননা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহ অমদি ঐচ দি দেবে গৌদাগসু হীরম অসিগী মতাংদা ৱারী শানখ্রে। অতোপ্পা পাম্বৈ লৈতবনা ষ্টেট অয়াম্বদা মখা তানা লোকদাউন থমহন্নীংবগী ৱাফম মরী লৈনবা চীফ মিনিষ্টরশিংনা ফোঙদোরকপা লৈখ্রে। মণিপুরগী ওইনসু চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা রিপব্লিক টেলিভিজনদা পীবা ইন্টরভিয়ু অমদা হায়খি, ষ্টেট অসিদা হৌজিক কোরোনাভাইরসকী কেস অনীখক লৈবা তারবসু খুদোংথিনীংঙাই ওইরবা লাইচৎ অসি মপূং ফানা লাকশিন্নবা মতম খরা লোকদাউন শাংদোকপা তঙাইফদে। য়ামদ্রবদা লোকদাউনগী মতম নুমিৎ ১৫নিদগীনা ২০ ফাওবা শাংদোকপা মথৌ তাই। লোকদাউননা থোকহল্লকপা খুদোংচাদবা পূম্নমক মায়োক্লনবা শেম শারে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা এপ্রিল ১১দা ষ্টেট পূম্নমক্কী চীফ মিনিষ্টরশিংগা ভিদিও কনফরেন্সতা ৱারী শানগদৌরি। নুমিৎ অসিমক্তদা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধিনসু প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (পি সী সী) পূম্নমক্কী প্রসিদেন্টশিংগা ভিদিও কনফরেন্সকী খূৎথাংদা ৱারী শানগদৌরি। হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা কোংগ্রেস প্রসিদেন্টনা প্রাইম মিনিষ্টরদা অইবা চেরোল অমা থাদুনা ৱাফম মঙা পুখৎখি। সোনিয়া গান্ধিনা পুখৎখিবা ৱাফমশিং অদুগী মনুংদা সেন্ত্রেল ভিষ্টা ব্যুটিফিকেসন প্রোজেক্টশিং লেপ্পা অমসুং লৈঙাক্লা মিদিয়াদা এদভর্টিজমেন্ট তৌবা চহী অনী থিংজিনবা হায়বা ৱাফম য়াওরি। প্রসিদেন্ট, ভাইস প্রসিদেন্ট, য়ুনিয়ন মিনিষ্টিরশিং, চীফ মিনিষ্টরশিং অমসুং ব্যুরোক্রেটশিংনা মপান লৈবাক্তা চৎকদবা খোঙচৎ পূম্নমক কেন্সেল তৌহল্লগা মদুদা চঙগদবা শেনফম পূম্নমক কোরোনাভাইরস লাকশিন্নবা থৌরাংদা শীজিন্নবীয়ু। তোলোপ, পেন্সন অমদি সেন্ত্রেল সেক্টর স্কিমশিংগী শেনফম চাদা ৩০ ককথবগী মথক্তা লৈঙাক্কী এক্সপেন্দিচর বজেটসু হন্থবীয়ু হায়বা ৱাফম কোংগ্রেস প্রসিদেন্টনা পুখৎখি। পার্টিগী খেন্নবা ৱাখল্লোন থাদোক্লগা হন্দক্কী মতাং অসিদা পোলিটিকেল লীদর খুদিংমক্লা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মতেং পাংগনি হায়বা ৱাফম ফোঙদোক্লরকখি। লৈবাক মীয়ামগী ৱাখলদসু প্রাইম মিনিষ্টরনা লৌরকপা ফিরেপতা মপূং ফানা শৌগৎলক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। কোরোনাভাইরস লাকশিন্নবা থৌরাং লৌখৎপদা হেল্থ ৱার্করশিংনা মাঙজিল থারি হায়বা তারগসু তোঙান-তোঙানবা শিনফমদা লৈরিবা মীওই পূম্নমক মানা-মানা ঙম্বা চাংদা থৌদাং লৌনরিবনি। লায়েংনবগী পাম্বৈ লৈত্রিবা লায়না-লাইচৎ অসি লাকশিন্নবগী মতাংদা হৌজিকমক্কী ওইনা অতোপ্পা পাম্বৈ লৈতবনা লোকদাউন শাংদোরকপদা কনামক্তনা য়ানীংদবা ফোঙদোরক্কনি নীংদে। অদুম ওইনমক মসিনা মরম ওইরগা মীয়াম্না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংসু খন্থহৌবা চুম্মী। হৌজিক-হৌজিকমক মীওই কয়ামরুম নোংমগী তঙাইফদনা চঙদবা য়াদবা পোৎলমশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লরি। ময়ূম থাদোক্তুনা তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংদা থবক শূরুবা মাইগ্রেন্ট ৱার্কর কয়াসু থবক শূফম লৈরক্তবদগী পোক্লফম লমদম তম্না হল্লকপগী লম্বীদা পন্দুনা লৈরিবনি। মীওইশিং অদুগীদমক্তদি লোকদাউনগী মতম শাংদোরকপা হায়বসি অৱাবগী মশকনি। তঙাইফদবা ফীভম লাক্লবদি লোকদাউনগী মতম শাংদোরকপা তাবনি। অদুবু মতম শাংদোকপগী ৱাফম লাউথোকপা তারবদি মীয়ামগী অৱাবা কোকহন্নবগী পেকেজ অমসু লাউথোকপা চুমগনি। মীচম-মীয়াম্না কদায় ফাওবা অৱাবা মায়োক্লগদগে হায়বা মার্চ ১৪দা লৈঙাক্লা লোকদাউন লাউথোক্লমদাইদা মাঙজৌননা খঙখ্রবনি। মতমদুদা লোকদাউন লাউথোকপগা ইরোয়ননা মীয়ামগী মতেং পাংনবগী পেকেজ অমসু লাউথোক্লম্বা য়াবনি। লৈবাক্কী শেন্মীৎলোন অঙকপা ফংনা শোকচিল্লক্লে হায়বা পূম্নমক্লা খঙনরবা ৱাফমনি। শেন্মীৎলোনগী ফীভমদি কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ শন্দোরক্ত্রিঙৈদগী হান্না শোকচিনখ্রবনি। তুংদা থোরকপা য়াবা ফীভম পূম্নমক খঙলবা মতুংদা লৈঙাক্লা মীয়ামগী পুন্সি কনবনা খ্বাইদগী মরু ওইবা থৌদাংনি খনবদগী লোকদাউন লাউথোকখিবা ওইরমগনি খল্লি। মদু ওইবা তারবদি মীয়াম্না অঙকপা ফংনা ৱারবা মতম অসিদা শেন্মীৎলোনগী ফীভম য়েংবা তৌদনা মীয়ামগী মতেং পাংনবা তোঙান-তোঙানবা পেকেজ কয়া লাউথোকফম থোকই। লুরবা তানফম অসিদা জন ধন যোজনাগী একাউন্ট হাংই-হাংদে নৎত্রগা রশন কার্দ পায়বা পায়দবা খন্দোক-খঞ্জিন তৌদুনা লৈবা চুমদে। শেল লৈনা-লৈনা অপাম্বা পোৎ লৈগে হায়বা ফংলত্ত্রবা মতম ওইরল্লবনিনা লৈঙাক্লসু লায়র-ইনাকখুনবা থিদনা য়ূমথোঙ খুদিংমক্তা চপ মান্ননা মতেং পাংনবা থৌরাং লৌখৎফম থোকই।

# ক্কা মনা পুরকপগীদমক এরোপ্লেন ৱায়বগী থাক য়ৌরকপসি কিনীংঙাইনি

অওনবা মালেম

**সৌবাম তোম্বা লুৱাং**

এরোপ্লেনবু লন্নাই মীওইনা শেল পীরগা ৱায়বা য়াই হায়বসি হন্দক্তা খঙই। ফনা য়াম্না হৈরে, শিংলে হায়না লৈরম্বনি অদুবু ফনা ফজনা শিংলমদ্রে (পংই হায়বদি হেক হায়নীংদ্রবা)। অপিকপা হৈবোং মনুংগী তুমিৎ হায়বদুমক নহানমখৈ ওইদুনা লৈরম্বজাৎনি। অদুবু মোবাইল ফোন হেন্দসেট ফজবা অমা পায়রগা মালেমগী ঈ-পাউ লোয়নমক তাবা, উবা ফংলে হায়দুনা য়াম্না হৈরে, শিংলে হায়দুনা লৈরম্বা তারে। অহৈবা অশিংবা মীওই কয়া লৈবজাৎনি মণিপুর হায়বা পিক্লবা হৈবোংগুল্লম্বা লমদম অসিদসু। মী তোংলগা পাইনবা এরোপ্লেনদো ক্কা মনা পিক থন্না পুরকহনবা ঙম্লে। মীগী মহুৎতা ক্কা মনা পোলাং ২৫০ হেনবনা এরোপ্লেনদু কোলকটাদগী ইম্ফাল তান্না পাইদুনা লাক্লবনি। নহানমখৈদি এরোপ্লেনসি মী তোংদুনা পাইনবনি হায়না খল্লম্মী অদুগদি মদুখক্তমক নৎলমদ্রে। মী তোংনবা এরোপ্লেনসি মী তোংদনা পোৎ হাপ্পগা পাইবা য়াই হায়বসি হন্দক কোভিদ-১৯গী শাথীরবা লাইচৎ অসিগী মনুংদা ইন্দিগো অমদি এয়র এসিয়াগী এরোপ্লেন অনীদা ক্কা মনা পোলাং ১৫০ হেনবা পুদুনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলবসিদা খঙই। মসিসু য়াম্না কান্নবা পারা অমদি ফারে হায়বা য়াই। তমথীরবা কোভিদ-১৯বু অমরোমদা থাগৎতবা ঙমদে।

য়াম্না পংনসু উখিবা য়াই। অদুবু মদুমক্তি নত্তে নহানমখৈ মী তোংবা এরোপ্লেনদা ক্কা মনা য়াওনা পোৎ চৈ কয়া পুবা য়াই হায়বসি খঙই। য়েন্নাও মচা ফাওবা মী তোংবা এরোপ্লেন্দা পুরকই হায়বসি খঙই। খঙবগী হায়নরুবদি য়াম্না খঙই। এরোপ্লেন লন্নাই মীওইনা ৱায়বা য়াই হায়বসিসু খঙলিবজাৎনি। অদুবু মদুদি মী ৭/৮ খক তোংবা য়াবা অপিকপা প্রাইভেট এয়রক্রাফট মচাদুনি। মিনিষ্টর ওইরম্বা ফুন্নজাথাং তোনসিংগী লোয়নবী মপান লমদা অনাবা অমদগী লৈখিদবদা লন্নাই এরোপ্লেন মচা পাইরগা অশিবা মশা ইম্ফাল তম্না পুরকপগী থৌদোক লৈখ্রে। চাওখৎপা লৈবাক কয়াদদি মদু অনৌবা অমদি নৎত্রে। অমুক্তদা মী ১০০/২০০ তোংবা য়াবা এরোপ্লেন/ফ্লাইট অমদা মী অমত্তা তোংদনা ক্কা মনা ঙাক্তা পুদুনা পাই হায়বসিমদি অমুক্তবু তাখিদ্রি। থৌদোক অসি ইন্দিয়াগী ওইনা থোকপা অহানবা থৌদোক ওইরম্বসু য়াই নৎত্রগা করিগুম্বা মমাঙদা থোকখিবা লৈরবসু মশীং য়াম্না থোক্লমগদবা মান্দে। ঈশিং-ঈচাউকা থোকপা মতমদা তেংবাঙগী পোৎ-চৈ পুবদা মী তোংবা এরোপ্লেন্দা পুবা অমুক্তবু থেংনদে। খঙদবা নত্তে খঙলিবনি হৈবোং মনুংগী তুমিৎ ওইজরবসু- পোৎ পুনবা এরোপ্লেননা কার্গো হায়বা অচৌবা এয়র ফোর্সকী এরোপ্লেন। মসিদি গভর্ণমেন্টকী মখাদা লৈগদবনি, লন্নাই মীওই/কম্পেনিনা থম্বা য়াদে। মী তোংদুনা চৎনবা এরোপ্লেন্না দোমেষ্টিক ফ্লাইট হায়বসিনি। মসিদি গভর্ণমেন্ট অমদি লন্নাই কম্পেনিনা থম্বা য়াই। মদুদা ঙক্লিবদি ইন্দিগো অমদি এয়র এসিয়াগী এরোপ্লেন অনীদুনা ক্কা মনা ওইনা পুদুনা শেল তাল্লম্বসিনি। অমরোমদা মসি শোয়দনা ওইরমগনি মদুদি শাথীরবা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিনা লৈবাক অসি লোকদাউন তৌখিবদগী মী চৎথোক-চৎশিন তৌদবদগী ফ্লাইট পাইদ্রবনিনা কম্পেনিগী শেল লাক্ত্রে। মদুনা মরম ওইরগা শেল ফংনবা হায়দুনা লন্নাই মীওইনা ৱায়বা য়াহন্দুনা ক্কা মনাদু পুরকপা ওইরমগনি। মীয়াম্নসু হেন্না খঙনরে মদুদি ইন্দিগো অমদি এয়র এসিয়া হায়রিবা কম্পেনিশিং অসি শেল-থুমগী অৱাবা পোৎলুম কয়া পুদুনা লৈরি। মসিগী ফীভম অসিদা কোভিদ-১৯গী লোকচাউন অসিনা অমুক্কসু অৱাবদা অৱাবা হাপকৎপা হায়বদু ওইরমগনি। মদু ওইদুনসু মশা নানবা মী তোংনবা দোমেষ্টিক ফ্লাইটতা কোদাং ওথোকপা ফনা ঙাঙনদবা ক্কা মনা পুরগা শেল তাল্লি হায়বসিদি ঈজৎ মাঙবা ৱানি। শেলনা মরৈত্রবদা ঈজৎনা চাবা য়াব্রা? মখোয়গী মদোমদা ওইনা খল্লসি।

অদুদা মণিপুরদবু এরোপ্লেন ৱায়বা ঙম্বা মীবু লৈরবরনে? মদুসু মিনিষ্টর ফুন্নজাথাং তোনসিংগী য়াম্না থম্মোয় শোকপা থৌদোক অদুগুম্বগী নত্তবা ক্কা মনা পোলাং পুরক্লবগী। অমরোমদা এরোপ্লেনদু ৱায়বগী অৱায়মল শেল পীবা ঙম্বা মীশক্তি অদুম লৈরমগনি। অদুবু লাক্লিবা ৱাফমদি এরোপ্লেন ৱায়রগা ক্কা মনা পোলাং-পোলাং পুশিল্লক্লগা মণিপুরদা মমল তাঙনা য়োল্লগা শেন্দোং য়াম্না ফংগনি হায়না খনবা ঙম্লক্লিবা থৌনা অদুনি। মদুসু কোভিদ-১৯গী লোকদাউন মনুংদা ক্কা মনা ফংনদ্রে অদুগা ক্কা চাবিনবা মীনা হা-হা কা লাউনা ৱানা খাংনদুনা লৈরবনিনা ক্কা মনাগী দিমান্দ অসি অঙকপা ফংনা লৈরেকা হায়বা মার্কেটকী সর্ভেকা তৌবদুনা অচৌবা থৌশিল থৌরাংদা তৌরকপা অসিনি চেকশিনগদবদি। শম্না লাইচৎ অসিনা খুন্নাইদা পীরিবা অৱাবা করিসু উদে, খন্দে মখোয়দা, শুপ্নতগী অচেংবা তাঞ্জা অদু লৌহৌবখক্তনি মখোয়গী নুংঙাইনবগীদমক্তা। মখোয়গী মীৎয়েংদদি চুমজরিবনি। অদুনবু পুরকখ্রে ক্কা মনা পোলাং কয়া এরোপ্লেন অনীদা। ইম্ফাল য়ৌরকপদা ৱাথোক ওইনরে। ক্কা মনা পোলাং ময়ামদু অহাঙবা মফমদা তাদুনা লৈরে মপু পান্দবগুম মপাম চাকসু চাদ মৱা চাকসু চাদ। পোৎকী ওইনদি লৌবা য়াররোই পৎ-পুমদুনা মাঙবা হৌরম্লগনি। মদুমদি য়াম্না ফৈ মীওই কয়াগী চিনবান য়ৌদনবা, কেন্সর নাবদা মতেং পাংবা চিঞ্জাক্তু মীওই কয়াগী চিনবান, য়া, য়ারি, ঙৌ, খৌনাও, থবোম্বী য়ৌদনবা। মাঙলসনু শেন্দোংদি লায়রদুনা শেল্লেপ ফাওবা। অমুক হন্না হৌগৎপা ঙমদবসু ওইরসনু ক্কা মনাগীদমক এরোপ্লেন ৱায়বা ঙম্বা মীওইশিংদু। ক্কা মনাগী শেনফমদুদি কয়াবু য়াম্লল্লোই অদুবু এরোপ্লেন অৱায়মলদুদি ফম্না য়াম্লমগনি। অনীদু পুনশিল্লবদি শেনফমদু নোংমাইজিং চীংমুক ৱাংলমগনি। মদুগীসু মথক্তা পুলিসনা কেস অমা লৌখৎতুনা থিজিনবা হৌরবনিনা মদুবু থেংননবা শেল অমদি মতম কয়া অমসু চংগদবা ৱাৎলি। মতাং চাদনা তৌরুবা থবক্কী মহয়দি মশানা ফংবা তাবনি। লায়না লাইচৎকী লোকদাউন মনুংদা চেঙ, চাক, হৱাই, চেঙৱাই, ঈশিং ফংদবগী অৱাবা মরক্তা মমল তাঙনা ক্কা মনা য়োল্লগা শেন্দোং চাহৌরগা হৌরগে, শেল পায়রগে হায়বা ৱাখল অসি কোভিদ-১৯দগী য়াম্না হেন্না তমথীবা ভাইরস মখল অমনি।

নুংঙাই-নুংঙাইবা ৱাহং কয়াদি থোক্লক্লি অদুগা মদুগী পাউখুমসু অদুমক নুংঙাইবা ঙাক্তা ওইগনি খল্লি। ক্কা মনাদুগা মরী লৈননা মীওই ৪/৫ পুলিসনা ফারে। অদুবু ফারবা মীওইশিং অদুদি কা হেন্না চহী য়াম্বা ওইনা উদে। নহা ঙাক্তা ওইনা তৌই। অদুগীসু মথক্তা ক্কা মনাদু এয়রপোর্টতগী পুদুনা চৎখিবা মী ওইনা তৌই। মীওইশিং অদুনা মী তোংনবা এরোপ্লেন অমা অনী শেল য়াম্না পীরগা ৱায়রগা কোলকটাদগী ইম্ফাল তম্না ক্কা মনা পোলাং-পোলাং পুরক্কনি হায়বগী থৌশিল থৌরাং য়াৎপা ঙমগনি হায়বা থাজদে। হোয় অদুবুদি কনানবু খঙবা থাজদ্রবা অপিকপা কোম অমদা ঙা পীক থন্না লৈরম্বসু য়ারিবনি। শেলদি মতিক চানা পায়রে হায়না খল্লসি অদুবু এরোপ্লেন ৱায়বগী কাঙলোন অসিদি অরায়বা থবক অমদি নত্তে। মী অমনা লোন্না ঈংনা-চিক্লা শেলদি পায়বা য়াই অদুবু এরোপ্লেনদি লোন্না ৱায়বা য়াবা থবক নত্তে। মসিগী রুল কয়া লৈরমগনি। মরী লৈনবা গভর্ণমেন্টকী ওথোরিটিদা চে থাদবা য়ারোই। ৱায়গদৌরিবা মীওই/মীওইশিং অদুগী অকূপ্পা ৱারোল পীদবা য়ারোই। এরোপ্লেন ৱায়গদৌরিবা থবক অদুগী মরমদা শেংনা পন্দবা য়ারোই। মদুসু লৈবাক পূম্বা লোকদাউন লৈরিঙৈ মনুংদা এরোপ্লেন পাইগদৌরিবনিনা থবক অসিগী মরমদা য়াম্না মুন্না রুলশিং খঙবা মীওইশিং ওইবা তাবনি। অদুদি ফারবা মীওইশিং অদুদা হায়রিবা ৱাফমশিং অসি লোইনা খঙলবরা হায়বদুনি মরু ওইবসি। ৱাহং-পাউহংবদা খঙদবসু লৈরম্লরোই, লোইনা খঙলম্লনি। মী তোংনবা পাইরিবা এরোপ্লেনবু পোৎ পুনবা ৱায়বা য়াই হায়বা ৱাফমসিনি লুরিবদি। ফ্লাইটকী থবকসিনা সিভিল এবিয়েসনগী মথৌনি অদুগা অহাঙবা অতয়াদা লম্বী লৈবগুম্না এরোপ্লেননা মফম অমদগী মফম অমদা পাইদুনা চৎপগী থবকসিনা এয়র ত্রাফিক্কী থবকনি। মরম অদুনা এরোপ্লেন ৱায়বা হায়বসি অরায়বা থবক অমদি নত্তে। অখঙবা মীওইদবুদি লুনা থোক্লমদবসু য়ারিবনি। অদুনবু ক্কা মনা পুরক্লিবসিনি।

মণিপুর অমদি কোলকটা অনীমক্তা থবক অসিদা খঙ-হৈরবা মীওই খূৎপু অমদি লৈরে হায়বদা লাল্লরোই। কোলকটা নৎত্রগা মণিপুরগী মপান্দগী মীওই য়াওদ্রগদি থবক অসি মায় পাক্লোই। লমদম অসিদগীসু মরুওইবা মীওই খরদি লৈরে হায়বসি চুমগনি করিনা হায়ববু মপানগী মীওইশিংনা য়াম্না হৈশিংলবসু ক্কা মনাদু মণিপুরদা য়োনগদবনিনা লমদমসিগী মীওই কয়াগী থৌদাং য়াম্না চাউরি। ক্কা মনাগী দিমান্দ য়াম্না লৈরে, য়োল্লবদি শেন্দোং য়াম্না ফংগনি হায়বগী সর্ভে অদুদি কোলকটাগী মীওইশিংনা তৌবদি ওইথোক্তে। ক্কা মনা পোলাং মশীং য়াম্না য়াম্বদুদা শেন্দোং লৈরনি খনবদুনা মপানগী মীওইশিংদুনা লম্বী য়াৎপীবা ওইরম্বসু য়াই। শম্না শকউদবা খরা লৈরে মনুং অমসুং মপান্দা। মখোয়শিং অসি মতিক ময়াই চম্বা মীওইদি নৎত্রে। মসিদি তৌথোরক্লিবা থবক অসিনা তাকপনি। ক্কা মনা য়োনবা লোনা য়াবা থবকনি। অদুবু লোকদাউন মনুংদা এরোপ্লেনদা পুরকপগী থৌওংসিদি খুন্নাইগী ওইনা অফবা ৱাখলদি নৎত্রে। অকিবা লমদম অমা ওইরে হায়বগী খুদমনি। এরোপ্লেন পাইহন্দ্রিবসি মফম অমদগী অমদা লায়না শন্দোক্তনবনি অদুবু মী তোংদে ক্কা মনা পুরকপনিনা হায়রিবরা? অদুবু ক্কা মনা পোলাংশিংদুদি মীনা হাপ্পকপনি অদুগা মীনা অমুক লৌথবনি, পুখিবনি। ●

# লোকদাউনগী ৱাহন্থোক খঙমীন্নবা ফৈ

মতম মতমগী ৱাফম

**সেঞ্জম দেবেন**

হৌজিক-হৌজিকসি শাথীরবা লায়না লাইচৎ অমনা মালেম শিনবা থুংনা শন্দোক্লক্লি হায়বসি মীপূম খুদিংমক্লা খঙনরবা ৱাফমনি। ৱাফমসিগা মরী লৈননা ইন্দিয়াদা নুমিৎ ২১নিগী লোকদাউন (মীপূম খুদিংমক য়ূমদগী মপান থোক্লদবা) গী প্রোগ্রাম অমা হৌজিক-হৌজিকসু চথুরি। প্রোগ্রাম মনুংসিদা ইরমদমসিদা উরিবা অমসুং তৌনরিবা থৌদৌ খুদিংমকসি তশেং-তশেংনা অঙকপা ঙাক্তনি। শুপ্নগী হীরম অমা-অনী খক্তগী ৱাফম নত্তে, হীরম কয়ামুক্তনি। ঐখোয়গী ইরমদম মচাসিদা হিংমিন্নরিবা ঐখোয় পূম্নমকসি তশেংনমক ঙকপগী চাং খম থেংই। অচুম্বা খরা য়াও, চুমদবা খরা য়াও, মান্দবা খরগা, অমানবা খরগা, মশাগী কান্নবদা য়ূম্ফম ওইরগা তৌবা থবক, তশেংনা মীয়ামগীদমক খল্লগা কখোকপগা লোয়ননা তৌথোক্লকপা হায়বা অমা, পূম্নমকসি মিদিয়াগী খূৎথাংদা তুমিন্না য়েংলগা লৈবদা লোকদাউন মনুংসি কোক ঙাওরবনি। লোকদাউন মনুংসি ইনাক খুনবা কাঙবুশিংগীদি থোইনা খল্লুদ্রবসু লায়রবগী পনখৈ মখাদা হাইথদুনা হিংলিবা লমদমসিগী লায়রবা মীচম-মীয়ামশিং খুদিংমক্কীদি অশেংবগী ওইনা অৱাবা খুদিংমক ময়েক য়াম্না শেংনা ঙক্লিবমখৈ ঐখোয় মশেলসু শরুক য়ামিন্নফম থোকই। মণিপুর অমদি ইন্দিয়াগী লায়রবগী পনখৈ মখাদা লৈবা মীওইশিংগা হন্দক মালেমসি শিন-থুংনা শন্দোক্লক্লিবা গ্লোবেল পেন্দেমিক ওইরবা অচৌবা লায়না মখলসিগা অনীসি অসুক্কী মতিক ফরক তানবা ফীভমশিংনি। অদুম ওইনমক, লায়না লাইচৎসিগী মওং-মতৌশিং অমদি শাথীবগী চাং অমসুং মালেমসিগী অখঙ-অহৈশিং কয়ামুক্লা লায়নাসিগী মরমদা চেনবা পাউজেলশিং খুদিংমক্তি ঐখোয় পূম্নমক্লা শোয়দনা লৌশিনমিন্নদবা য়াদবনি।

মণিপুরদসু অচৌবা লায়না লাইচৎসিমা ঙাকথোকমিন্ননবগী পান্দমদা হৌজিক-হৌজিকমক নুমিৎ ২১নিগী ওইবা লোকদাউন মপূং ফানবা মওংদা চথুরি। লায়না-লাইচৎসি কিবনা, ৱর্ল্ড হেলথ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) গী পাউতাক মতুংইন্না লমদমসিগী মীওই খুদিংমক্লা য়ারিবমখৈ মী পূনবীদনবা অমসুং তঙাইফদনা পূনবা তারগসু অমগা-অমগা য়ামদ্রবদা ফিট ৩দগী তাদনা লাপ্পনবা খঙহল্লি। মী পূনবা নৎত্রগা মী তিনগী ফীভম তঙাইফদনা লাকপা খুদিংদা শুংশোয়-শোয়দনা মাস্ক শীজিন্ননবা অমদি য়ারিবমখৈ খূৎশানচিংবশিং শোক্ল-শম্নদনবসু খঙহল্লি। অঙম্বা থাক্তা, য়ামদ্রবদা সেকেন্দ ২০দগী তাদনা তোয়না সাপোন নৎত্রগা হেন্দ ৱাশ নৎত্রগনা দিটোলনচিংবা শীজিন্নদুনা খূৎ হামদোক্লবা মতুংদা হেক লোইবগা অলকোহোলগী চাং চাদা ৬০দগী তাদনা য়াওবা হেলথ সেনিটাইজরশিং শীজিন্নগদবনিসু হায়রি। ফীভমশিংসিদা মণিপুরদা ৱাখল-লৌশিং লৈরবা মীওইশিং নৎত্রগা কাঙবুশিং কয়ামুক্লা মতম শাংনা লোকদাউন তৌরকপগী মীয়ামগী অৱাবশিংদা তঙাইফদনা চঙদবা য়াদ্রবা চিঞ্জাকশিং অমদি অতৈ অৱাৎ-অপাগী পোৎলমশিং তেংবাংবীবগী থৌরমশিং পাঙথোক্লরি। থৌরমশিংসিদা খূৎ-খূৎ শোক্ল-শম্নদুনা অমদি চিন-নাতোন্দা মাস্কনচিংবা অমক্তা উপ্পদনা পোৎ-চৈশিংদু মীয়াম মাঙদা খূৎশিন্নবগী ফোটোশিং, ভিদিওনচিংবশিং লৌদুনা লোকল মিদিয়া (টি ভি চেনেলশিং অমদি লোকল পেপর) শিংদা মখোয়-মখোয়না তেংবাঙখিবশিংদু থাদোক্লরক্লি। মতাংসিদা হায়নীংলিবসি লোকদাউন মনুংদা মীয়ামগী অৱাৎ-অপাশিংগীদমক তেংবাঙবীবগী থৌরম পাঙথোকপনি হায়রগসু থৌরমদুদা তেংবাঙবীরিবশিংদু অচৌবা লায়নাদু য়ৌরক্তনবগীদমক পাঙথোকপা লোকদাউন থৌরমগা মরী লৈনরিবনি। থৌরমদু পাঙথোকপদা 'দব্লিয়ু ঐচ ও' গী গাইদ লাইনশিং খজিক্তং নীংশিংবীদুনা তঙাইফদনা মাস্কনচিংবা শীজিন্নবীরম্লবদি মণিপুরগী মীয়ামসি মতমসিগী ওইবা ৱাখল্লোনশিং মপূং ফানা চেল্লি হায়না থাগৎনরম্বা য়াবনি। থৌদৌসি লোকদাউন মনুংগী তেংবাঙ থৌরমশিং খুদিংমক্তা লোয়না তৌই হায়বগী ৱাফমদি নত্তে। অদুম ওইনমক, অয়াম্বা থৌরমশিংদা অসিগুম্বা মখলগী তাইওন্নবা নৎত্রগা ওন্ন-তৈনবগী থৌদৌশিংসি হেক-হেক য়াম্না তোয়না অদুমক উনরি। লায়না শন্দোক্লক্তনবগী থৌরমশিং পাঙথোকপগী তেংবাঙবদবু লায়নাদু শন্দোক্লকপা য়াবগী থৌদৌশিং ওইনা পাঙথোকপা হায়বসিদি অউবা মীশিংনা উখিবদা অসুম্মী মতিক ইকায়নীংঙাইগী মওংশিং ওই অমসুং তশেংনমক থৌরমশিংসিদগী অচৌবা লায়না মখলসি লৌরক্লিংঙাইগী মরমসু ওইরক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। অসিগুম্বা থৌরমশিংসি হন্না-হন্না হৌজিক ফাওবদসু অদুমক মান্নবা মওংদা চথনবা কয়ামরুম থেংনরি। হীরমসিদা এৱ্যার ওইমিন্নসি। অসুম্না, মীয়ামগী থৌগল তৌবগী মীংদা তুংদা ভোট লেপ্পকপদা খুদোং চানবগীদমক হন্দক্কী লোকদাউন মনুংদা তুংদা ভোট লেপকদবা অমদি হৌজিক-হৌজিক ভোট কারিবা পোলিটিসিয়নশিং কয়ামরুম্না মাগী-মাগী এরিয়াশিংদা অঙম-অঙম্বা মওংদা তেংবাঙনখিবগী পাউশিংসু তান-উনরি। অচৌবা লায়না-লাইচৎসিদা পোলিটিক্সকা কা-হেন্না নকশিন্নবা চুমগদবা মান্দে।

মণিপুরদা নুমিৎ ২১নিগী লোকদাউন মনুংসিদা তশেংনা নহানমখৈ চহী কয়ামরুম চূপ্পা ইম্ফাল সিটিদা অমুক্তা ফাওবা উগে ফংজরকত্রবা, "নিল খোংবা য়াওদবা, মহৌশা লাইরেম্বীনা তশেং-তশেংনা হকথেংননা শেম্বীবা ইম্ফাল সিটিগী অশেংবা শক্তম অমা' হায়বদু উবা ফংজহৌরে। কাউরুবা শক্তমসি শুপ্নগী হন্দক্কী লোকদাউনগী মতাংসি খক্তদা ময়েক শেংনা উবা ফংলকপনি। ইশাগী চহী ৬০ শুগদবা অমত্তা ঙাইরবা সি-ফাওবা হিংলকপসিদা নোংমতা লৈঙাক্লা ঐগীদমক লেম্না চেঙ চরা অমা ফাওবা পীবিরকখিদ্রি। অদুবু, হন্দক্কী অচৌবা লাইচৎসিগীদমক নুমিৎ ২১নি লোকদাউন লাউথোকপসিদদি লৌনীংবা-লৌনীংদবা লৈতনা ইশাগী চাকথুংনি হায়দুনা চেঙ কেজি ৪দি এম এল এগী কাঙবুশিংনা থুংবীরক্লে। নুংবু-নুংশি খল্লুবদা, হন্দক থোক্লিবশিংসি পুন্সিগী অহানবা রেকোর্দ ঙাক্তনি। কুমজা ২০২০দা হিংবা ফংজরুবা ঐসে তশেংনা লাইবক ফরবনি। মপুনা নুংশিবীদুনা ঙন্তা লাইচৎসিদসু য়াওহনবীদ্রে। তৌবদি সি হায়রগা নীংশিংলকপা অমসু লৈ। ঐখোয়গী ওফিসকী এম টি এস ওইবী কুকী নুপীমচা অমনবুদি হন্দক্কী লাইচৎসি হৌরকপগী অদুৱাইদা ঐনা নোংমা ওফিসতা মাস্ক উপ্পগা লাকপদু উরগা ঐঙোন্দা ঙন্তানা হায়রকখিবনি - 'তা দেবেন! নঙ করিগী মাস্ক উপ্পরা, নঙদি উপকনুনে, নঙদি শুংশি-শিরোই, নহান ওফিসতা লংশিল্লকপা বোমদু, থরো-থরো ওল্লগা চেল্লকপদু নঙগী খোঙদা পল্লগা তুমিন্না, পোকখায়বা য়াদনা লৈবা নৎত্রা, নঙদি শুংশি-শিরোইনে"। চুম্বু চুম্বীরল্লবদি ফরনি। কুমজা ২০২০সিনা অসুক নাতে চাদবা চহী অমা ওইরিবসি করিগীনো? হন্দক্কী লোকদাউনগী অউইবা থৌরীসিনা পুনবদা, নুমিৎ তাবা ঙাইঙমদবমখৈ নুমিৎ খুদিংগী খুল মায়কৈ পাংলম্বা, নোংমতা লেপ্পা হৈনদনা মরোল-মরী ফাইরা কান্দদা অহিং-অহিং হঞ্জিল্লক্লম্বা মৈতৈ পাথৌশিংসিসু, খুলগী থোঙ লোনশিনখ্রে, খুলগী লম্বীসু কাউনরকখ্রে। মসিমদি অরূবীখোয়, মজাইরুখোয়না খজিক্তং শাউজরবসু, তশেংবদি ফরবনি। অয়ূক, নুংথিল, নুমিদাং হায়বা মতম খায়দোক্তনা, মমগে মম্মু, ঙানগে ঙাল্লু, মচা পিশক-পিশকশিংদু ময়ূমদা শঙ্গু লঙথোক্লল্লগা ইনে সিজগী, রাধেগী, কোম্বীরৈগী পান দুকানশিং তান্না নোংমদা অনী-অহুল্লক, অমুক থোকপদা জর্দা মতপ অহুম-মরি, চবুন-চবুন ফনেক ফিরৈদা য়েপ্পগা নুমিদাং তূল্লমদাই ফাওবা হেক লোইদ্রিমখৈ শায়জরম্বা, লমদমসিগী মৌনহা মখৈদুসু পাম্বৈ লৈখিদ্রে, ক্কা মনা ফংখিদ্রে। পান মনাগীদমক ইম্ফাল এয়রপোর্ট কুরুক্ষেত্র ওল্লমদৌরে। হন্দক্কী লোকদাউন মনুংসি ইম্ফাল সিটিদা নত্তনা মণিপুর পূম্বসি ফনা নিংথিজনদি ঈং-তপথনরে। অদুবু লৈঙাক্লা লেম্না পীবা মী অমগী নুমিৎ ২১নিগী চেঙ কেজি ৪ দু চাবা লোইখ্রবা মতুং লায়রবা ইমুং, খূৎনা, পাঙ্গলনা শূজরগা মচা-মশু থাকচরম্বা কয়াশিংদুগী ফীভমশিংদি অচৌবা লায়না লাইচৎসিনা শিবগীসু শিবা, চাদদুনা চরা হেন্দুনা শিবগীসু শিবা অক্মাগী অক্মানি, হয়েংদগীদি লোকদাউন, কর্ফিয়ু মৱা লৌররোই, শাউনহৌবা ইমুংশিংসু ময়াওহৌই। সিগী য়েংলুরগদি লোকদাউনসি ভীমনা মন্ত্রি ওইবা কুমগুম্না লৈবাকসিগী প্রাইম মিনিষ্টরনা লৈবাকসিদা লায়রবা লৈহল্লরোই হায়খিবদু চাবা ফংদবদগী লৈবাকসিগী লায়রবশিংসি লোইনা শিনখ্রনি হায়রি জাৎলা, মওল-মওল খল্লকই। তশেংবনি, তাইবঙ কৈথেল কারকপদা, পুন্সি লল্লোনবা লাকপদা, শেন্দোং ফংদনা শেল্লেপ মাঙদুনা হনবা তারবদি লৈবাকসিগী লায়রবা পূম্নমকসি কমদৌদৌরি? শূফম-চাফম অমত্তসু লৈত্রবা, ক-না হৌবা মফমদগী হেন্দোকপসু য়াদ্রবসিদা শুপ্নগী চেঙ কেজি ৪না মী অমা নুমিৎ ২১নিগী শাংলবা লোকদাউন মশাংসি লোইদ্রি ফাওবা চানৌমক হেক হায়রবদি লৈঙাকসিসু তশেংনমক হেন্দি হেনমল্লবা জাৎনিদা। ঙসি-হয়েংসিমক মণিপুরগী লায়রবশিংসিগী য়েংবীরগা চেঙ-চাক খরদংদা ওইরসু লৈঙাকসিনা লেম্না য়েন্থোকপীনবা হোৎনবীবদি চুমগদ্রা খল্লি। খঙদ্রে, লোকদাউন মনুংগী দ্রামাসি শিন চিংশিনখিবা ঙাইবা হায়দুনি।

মমৈথংদা কনাদা তাই লাদা তাই। কুমসি চহী ২০২০সিগী লাইচৎ অচৌবসিদা হেক্তা মতারকই। লাইচৎ অচৌবা সিমত্তং লৈরমদ্রবদি খরসু মফরমগদবনি। হায় হায়বগী ৱানি, হৌজিকপু করিনো ঐখোয়না তৌগদৌরিসি? পাম্বৈ অতৈ লৈতে, ৱারসু ৱানা য়ান-য়ানবা খাঙনবদি তাবনি। অদুগা ইরৈবাক-ইরমদমসি খক্কী ৱাদসু নত্তনা, মালেম পূম্বগী ওইনা ফৎত্রবা গ্লোবেল পেন্দেমিক ওইরবা অচৌবা লায়না লাইচৎসিবুদি শোয়দনমক্কী মায়থীবা পীবা ঙম্নবা ঐখোয় পূম্নমক্লা পূন্না হোৎনমিন্নসি। মতম-মতমগী লৈঙাক্লা লৌখৎলকপা খোঙথাংশিংদসু অঙম্বা মখৈ তেংবাঙমিন্নবসু হোৎনমিন্নসি। ঐগী, ঐগী মথংদা ঐগী ইমুংগী অমদি ঐগী লৈকায়সিদংগী হায়দুনা খন্নরম্বশিংদুনা য়াবা খক লৈরোই হন্দক্কী মতাংসি। নহানমখৈ শন্দোক্লরম্বা লায়না লাইচৎশিংদুদগী হন্দক্কীসিনা খ্বাইদগী হেন্না লুবা অমসুং শাথীবা হেনবা লায়না লাইচৎ মখল অমনি হায়বসি ঐখোয় পূন্না খন্থমিন্নসি। ●